# রসিয়াগী মিসাইল এটেক্টনা য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্ট নাটোগা নকশিন্নহনখ্রে কিভনা ফোরেনগী মেছিন্নরিশিং রিক্রুট তৌবা লেপখ্রে

ৱার্সো মার্চ ১৪ (এজেন্সী):
নোংমাইজিং নুমিত্তা রসিয়ানা পোলেন্দগী বোর্দরদগী মাইল খরদমক লাপ্পা লৈবা য়ুক্রেনগী মিলিটরি বেজ অমদা শাথিরবা মিসাইল এটেক্ট অমা চথুখিবগা লোয়ননা য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্ট অসি মমাঙদা থেংনখিদ্রিবা মওংদা নাটোগী টেরিটোরিগা নকশিলহল্লে হায়না পোলিটিকোগী রিপোর্টনা হায়রি।



নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা পাঙথোকখিবা এটেক্ট অদুদা মীওই মাপন শিখি অমসুং অতৈ ৫৭ না অশোক অপন নঙখি। য়ুক্রেনগী দিফেন্স মিনিষ্টরগী মতুং ইন্না এটেক্ট অদু পোলেন্দগী বোর্দরদগী মাইল তরারোমদমক লাপ্পা লৈবা অৱাং নোংচুপ থংবা লেভিবতা বেজ তৌবা ইন্টরনেসনেল সেক্যুরিটি ফোর পিছ কিপ্পিং এন্দ সেক্যুরিটিদা টার্গেট তৌদুনা চথুরকখিবনি।

মিনিষ্টর ওলেক্সি রেজ নিকোবনা ট্যুটর পোষ্ট অমদা হায়, রসিয়ানা লিভিবকা নক্কনা লৈবা ইন্টরনেসনেল সেন্টর ফোর পিছ কিপ্পিং এন্দ সেক্যুরিটিদা এটেক্ট চথুখ্রে। মফম অদুদা ফোরেন ইন্সট্রক্টরশিং থবক তৌরিবনি। এটেক্ট অদুগী ভিক্তিমশিংগী পাউ ভেরিফাই তৌরি।

মসি ইয়ু-নাটো বোর্দরগী মনাক্তা লৈবা পিছ এন্দ সেক্যুরিটিদা চথুরকপা অনৌবা এটেক্টনি। রসিয়নশিংগী এক্সন অসি থিংনবা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং লৌখৎকদবনি। খ্বাইদগী মরু ওইবদি এয়র স্পেসশিং থিংজিনবনি।

বিবিসিগী রিপোর্টনা হায়, মিসাইল এটেক্ট অদুদা মীশি মীনা নঙলিবশিং অদু করম করম্বা নেসনেলিটিশিংনো নত্ত্রগা মখোয়গী মরক্তা ফোরেন্নরশিং য়াওব্রা নত্ত্রগা য়াওদব্রা হায়বসি শেংনা খঙবা ঙমদ্রি। ফেব্রুৱারীগী অঙনবা শরুক্তা লৌখিবা ফোটোশিংদা য়ুএস আর্মিগী ইন্স্ট্রক্টরশিংনা বেজ অদুদা য়ুক্রেনিয়ন সার্ভিস মেম্বরশিংগা লোয়ননা মিলিটরি ড্রিল পাঙথোকমিন্নবা উখি।

রিজনেল গভর্নর মার্কসিম কোজিট্কিনা ফোঙদোরকপদা রসিয়ন প্লেনশিংনা ফেসিলিটি অদুদা রোকেট ৩০ রোম কাপশিল্লকখি।

রোকেট খরদি টার্গেট য়ৌরক্ত্রিঙৈদা লম্মখাংদা কাপথখি। য়ুকেগী মিনিষ্টর মাইকেল গোবনা এটেক্ট অদু লান হেন্না কনশিনহনগদবা তরাইনা লৌবা য়াদবা এক্সননি হায়খ্রে।

মহাক্না হায়, ব্লাদিমির পুটিননা থবক অমা পাঙথোক্লিংলকপা মতমদা মোরেল লিমিট থম্বগী মতৌ উত্তে হায়বসি ঐখোয়না খঙই। মহাক্না কনফ্লিক্ট অসিগী বাউন্দরিশিং চাওথোকহল্লে।

য়ুক্রেনদা খুৎলায় লেপ্পুনা সপ্লাই তৌরিবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎকনি হায়না মোস্কোনা কিহনখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা এসোল্ট অদু চথুরকখিবনি।

লভিব রিজনদা লৈবা য়াভোরিভ মিলিটরি ট্রেনিং গ্রাউন্দদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা মিসাইল ষ্ট্রাইক অমা চথুখ্রবা মতুংদা য়ুক্রেনদা ফ্রেঞ্চ ভোলুন্টিয়ারশিং থারকপা লেপ্লবা য়ুক্রেনিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফ্রেঞ্চ ওথোরিটিশিংদা খঙহনখ্রে।

রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না মিসাইল এটেক্ট অদুদা ফোরেন মেছিন্নরি কয়া শিখি। রিপোর্টশিং অদুনা হায়, য়ুক্রেনদা ফ্রেঞ্চ ভোলুন্টিয়রশিং থানবা শিল্লিবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা হুগো পেল্লিগ্রিনিনা হৌজিক ইন্টরনেসনেল লেজেন্দগী ভোলুন্টিয়ারশিং রিক্রুট তৌবগী থবক য়ুক্রেনিয়ন সাইদনা থিংলকপদগী লেপ্লে হায়না লাউথোকখি।

রসিয়ান আর্ম ফোর্সেসনা চথুরকখিবা ষ্ট্রাইক অদুদা য়ামদ্রবদা ফ্রেঞ্চমেন অমা শিখি হায়না আরটিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

মার্চ ১৩ দা রসিয়ান আর্মিনা ষ্টারিচি ভিলেজদা লৈবা য়ুক্রেনিয়ন আম ফোসেসকী ট্রেনিং সেন্টরশিং অমসুং য়াভোরোস্কি মিলিটরি ট্রেনিং গ্রাউন্দদা প্রিসিজন খুৎলায়শিং শীজিন্নরগা এটেক্ট তৌখিবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সকী মতুং ইন্না রসিয়ন ষ্ট্রাইক অদুদা ফোরেন মেছিন্নরি ১৮০ শিখ্রে।

# য়ুএসকী জর্নেলিষ্ট অমসুং ফিল্মমেক্কর ব্রেন্ট রেনোদ য়ুক্রেনদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা হাৎখ্রে

কিভ, মার্চ ১৪ (এজেন্সী):
য়ুক্রেনদা থবক তৌদুনা লৈবা য়ুএস জর্নেলিষ্ট অমা লৈবাক অসিগী কেপিটেল কিভকা তাইনবা টাউন ইর্পিনদা রসিয়ন ট্রুপশিংনা কাপ্পদা শিখ্রে হায়না য়ুক্রেনিয়ন পুলিসনা হায়রি।



মশাগী চহী ৫০ শুরবা ফিল্মমেক্কর অমসু ওইরিবা জর্নেলিষ্ট ব্রেন্ট রেনোদ টাইমগীদমক ইর্পিনদা থবক তৌরকখি।

কিভকী পুলিস চীফ এন্দ্রি নেবিটোভনা হায়খি, মদুদি অমেরিকান জর্নেলিষ্ট অসি রসিয়ান লান্মীশিংনা টার্গেট তৌখিবনি। টার্গেট তৌদুনা চথুখিবা এসোল্ট অদুদা অতৈ জর্নেলিষ্ট অনীসু অশোক অপন নঙখি।

মসি য়ুক্রেনগী লান কোভর তৌরিবা ফোরেন জর্নেলিষ্ট শিবগী অহানবা থৌদোক্নি। শোকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎখিবা জর্নেলিষ্ট অনীদুগী মনুংদা অমা ওইরিবা জোন অরেদোনদোনা ইটালিয়ন রিপোর্টর অমদা ফোঙদোরকখিবদা রসিয়ন ট্রুপশিংনা নোংমৈ কাপ্লকখিবা মতমদা মহাক রেনোদকা লৈমিন্নখি।

ঐখোয়না ইর্পিনদা লৈবা থোং অমা লান্দুনা রিফ্যুজিশিংনা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎলিবদু ফিল্ম নম্নবা হোৎনখি। ঐখোয় কার অমদা তোংখৎখি।

সোসিএল মিদিয়াদা থাদোরকখিবা ফোটোগ্রাফশিংদা ন্যু য়োর্ক টাইমসনা ইস্যু তৌখিবা রেনোদকী প্রেস আইদি উবা ফঙখি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা পাউচে অসিনা হায়, রেনোদ শিবগী পাউ তাবদা পাউচে অসিগী ষ্টাফনা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতে।

তৌইগুম্বসুং মহাক য়ুক্রেনদা পাউচে অসিগী থবক তৌখিবদি লৈতে।

রেনোদনা কুমজা ২০১৫ দা পব্লিকেসন অসিগী থবক তৌখিবনি। য়ুক্রেনদা মহাক্না শীজিন্নরিবা প্রেস আইদি অদু চহী কয়ামুক্কী মমাঙদা ইস্যু তৌখিবনি।

মহাক্না শিখিবসি অৱাবগী মশক্নি হায়না টাইম এদিটর-ইন চীফ অমসুং সিইও এদৱার্দ ফেলসেন্থাল অমসুং টাইম অমসুং টাইম ষ্টুদিওগী প্রসিদেন্ট অমসুং চীফ ওপরেটিং ওফিসার ইয়ান ওরিফিসনা ফোঙদোকখি।

এৱার্দ ফঙলবা ফিল্মমেক্কর অমসুং জর্নেলিষ্ট অমা ওইনা ব্রেন্টনা মালেমগী মফম কয়াদা থোক্লিবা শাথিরবা থৌদোকশিংগী ষ্টোরিশিং শেম্নবা মহাক্কী মনাওনুপা ক্রেগ রেনাদকা লোয়ননা হোৎনখি।

রসিয়ন ট্রুপশিংনা কাপ্পদা অমেরিকান জর্নেলিষ্ট রেনোদ শিবগী থৌদোক অসি কিভতা লৈবা টিভি ট্রান্সমিশন টৱার অমদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা সেল কাপ্পদা য়ুক্রেনিয়ন টেলিভিজন চেন্নেল লাইভকী কেমেরা ওপরেটর অমা ওইরিবা য়ুক্রেনিয়ন জর্নেলিষ্ট য়েবহেনি স্কাউম শিখিবা মতুং চয়োল অনী ফাদবা মতমগী মনুংদা থোক্লক্লিবনি।

# নোর্থ কোরিয়ানা অতোপ্পা আইসিবিএম সিষ্টেম টেষ্ট তৌনবা শেম শারি: রিপোর্ট

সিওল, মার্চ ১৪ (এজেন্সী):
নোর্থ কোরিয়ানা য়াম্না থুনা চয়োল অসিগী মনুংদা অতোপ্পা ইন্টরকন্টিনেন্টেল বেলিষ্টিক মিসাইল (আইসিবিএম) সিষ্টেম টেষ্ট তৌনবা শেম শাবগী খুদম চাংদমশিং সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ুএসনা দিটেক্ট তৌখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা সিওলদা সোর্স খরনা ফোঙদোকখ্রে।



য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, সিওল অমসুং ৱাশিংতন্না পিওংয়াংবু মপুং ফাবা রেঞ্জকী আইসিবিএম টেষ্ট পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা ফেব্রুৱারী ২৭ অমসুং মার্চ ৫ দা অনৌবা আইসিবিএম সিষ্টেম অমা টেষ্ট তৌখি হায়না মরাল শিখ্রবা মতুংদা অতোপ্পা আইসিবিএম সিষ্টেম টেষ্ট তৌনবা শেম শাবগী ইঙ্গিৎশিং ফঙখিবনি।

নোর্থ কোরিয়ানা লোঞ্চ অনী অদুবু রিকোনিসন্স সেটলাইট দিভলপমেন্ট টেষ্টশিংনি হায়না ফোঙদোকখি।

সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ুএসকী ওফিসিএলশিংনা থাজরিবদি লোঞ্চশিং অদুদা কুমজা ২০২০ গী ওক্তোবরদা পাঙথোকখিবা মিলিটরি পেরেদ অমদা উৎখিবা ৱাসোং-১৭ আইসিবিএম চেন্নৈ হায়বসিনি।

গভর্নমেন্টকী সোর্স অমনা য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিদা হায়, ঐখোয়না করম্বা মতমদা মিসাইল অমা লোঞ্চ তৌরগনি হায়বসি চপ চানা হায়বা ঙমদ্রবসু অসিগুম্বা চাংয়েংশিং পাঙথোক্লবা লাংলকপগী খুদম চাংদমশিং কুপ্না য়েংশিন্দুনা লাকখি।

নোর্থ কোরিয়াগী অতোপ্পা মিসাইল চাংয়েং অমা পাঙথোকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈব্রা হায়না হংবদা সিওলগী জোইন্ট চীফ ওফ ষ্টাফ অমনা হিরম অসিগী মতাংদা মাঙজৌননা কম্মেন্ট পীবা পামদে হায়না ফোঙদোকখি।

ওবজার্বরশিংনা হায়রি, মদুদি নোর্থ কোরিয়ানা অনৌবা লোঞ্চ অমা পাঙথোক্লবা লাংলকপা ওইরবদি লৈবাক অসিনা মমাঙদা টেষ্ট অনী পাঙথোকখিবা সাইট ওইরিবা সুনান এয়রফিল্ডদা লৈবা ট্রান্সপোর্টর ইরেক্তর লোঞ্চর (টিইএল) অমদগী মিসাইল অমা কাপ্লকপা য়াই। মমাঙগী চাংয়েংশিংদা নোর্থনা এয়রফিল্ড অদুদগী অৱাংবা এঙ্গলদা মিসাইল কাপখি অমসুং প্রোজেক্টাইল অদু মিদিয়ম-রেঞ্জ বালিষ্টিক মিসাইল অমগী ট্রাজেক্টরি অমদা চৎননবা মওংদা দিজাইন তৌখি।

ফেব্রুৱারী ২৭ তা কাপখিবা মিসাইল অদু কিলোমিটর ৩০০ রোম পায়খি অমসুং মার্চ ৫ দা কাপখিবা মিসাইলনা কিলোমিটর ২৭০ রোম পায়খিবগা লোয়ননা কিলোমিটর টোপ অল্টিট্যুট ওইনা কিলোমিটর ৫৬০ ফাওবা য়ৌখি।

# রসিয়ানা কিভকী এপার্টমেন্ট বিল্ডিংদা সেল কাপ্পদা ২ শিরে

কিভ, মার্চ ১৪ (এজেন্সী):
নিংথৌকাবা নুমিৎতা য়ুক্রেনগী কেপিটেল কিভতা লৈবা মথোল মাপনগী এপার্টমেন্ট বিল্ডিং অমদা রসিয়ান ট্রুপশিংনা সেল কাপশিল্লকখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই অনী শিখ্রে হায়না য়ুক্রেনগী ষ্টেট ইমার্জেন্সি সার্ভিস (এসইএস) না হায়রি।



বিল্ডিং অদু গ্রাউন্দ ফ্লোর অমসুং অনীশুবা ফ্লোরগী মরক্তা অমাঙ অতা থোকখি অমসুং অনীশুবা অমদি অহুমশুবা ফ্লোরশিংদা মৈ চাক্লকখি হায়না এসইএস পল্লদুনা য়ুক্রায়িন্সকা প্রাবদাগী রিপোর্টনা হায়রি।

এসইএসনা হায়রি, মদুদি থৌদোক অদুদা মীওই অহুম হোস্পিটলাইজ তৌখি অমসুং অতৈ মীওই মাপননা মফম অদুদা ট্রিটমেন্ট চথুখি। এসইএস য়ুনিটশিংনা মীওই ১৫ রেস্ক্যু তৌখি অমসুং মীওই ৬১ না মফম অদুদগী পুথোকখি। অকায় অতোই মরক্তগী অহেনবা ভিক্তিমশিং থিবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

কিভকা মরী লৈনবা অতোপ্পা খোঙথাং অমদা সিটি এদমিনিষ্ট্রেসন্না হায়রি, মদুদি রসিয়ন ফোর্সশিংনা এন্টোনোভ এয়রক্রাফট প্লান্টতা এটেক্ট চথুরক্লে। এন্টোনোভ এয়রক্রাফট মেন্যুফেকচরিং ফেসিলিটি অদু কিভ সিটি সেন্টরদগী কিলোমিটর তরারোম লাপ্পা সিভিআটোসিন এয়রফিল্ডদা লৈবনি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ভিদিওশিংদা ফেক্তরি অদুগী মথক্তা অমুবা মৈখু থানা কাখৎলকপা উখি। য়ুক্রেনগী অতৈ মফম খরদসু রোকেট এটেক্ট চথুখ্রে হায়না এসইএসনা ফোঙদোকখি।

জাইটোমির রিজনগী ষ্টাভিচে টাউনদা রোকেট ষ্ট্রাইক অমা চথুরকখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই মরি অশোক অপন নঙখ্রে অমসুং এয়রষ্ট্রাইক অমদা রিভনেগা নক্কনা লৈবা টিভি টৱার অমা অমাঙ অতা থোকখ্রে। থৌদোক অনী অদু নিংথৌকাবা নুমিত্তা থোকখিবনি।

চৈরকসিদা, লভিব, ট্রান্সকপাথিয়া, খর্কিপ অমসুং ওদেশা য়াওনা য়ুক্রেনগী রিজন কয়াদা এয়র রেইদকী ৱার্নিং পীবা সাইরেনশিং খোঙবগী মখোল তাখি।

# ইন্দোনেসিয়াদা য়ুহা কন্না হাখ্রে

জকরটা, মার্চ ১৪ (এজেন্সী):
নিংথৌকাবা নুমিৎতা মেগ্নিট্যুদ ৬.৯ য়ৌনা য়ুহা হারকখিবদা ইন্দোনেসিয়াগী নোর্থ সুমাত্রা প্রোভিন্স কন্না নিকখ্রে হায়না ওফিসিএলশিংনা ফোঙদোরক্লি। তৌইগুম্বসুং খুদক্কী ওইনা অমাঙ অতা নত্ত্রগা মীশি মীনা থোকপগী পাউদি ফঙদ্রি হায়রি।



মেটিওরোলোজি, ক্লাইমেটোলোজি অমসুং জিওফিজিক্স এজেন্সিগী মতুং ইন্না য়ুহা হাবদুনা মরম ওইদুনা সুনামি থোকখিদে।

এজেন্সি অসিনা হায়, য়ুহা অদু অয়ুক পুং ৪.০৯ রোম তাবা মতমদা হারকখিবনি। মদুগী ইপি সেন্টরনা নিয়াস সেলাতান দিষ্ট্রিক্টকী খা নোংপোকলোমদা কিলোমিটর ১৬১ লাপ্পা অমসুং সিবেদ মখাদা কিমি ২৫ রোম লুথবা মফমদা ওইখি।

মপুং ওইবা য়ুহা অদুগী মতুং অয়ুক পুং ৪.৩৮ তাবা মতমদা মেগ্নিট্যুদ ৬.০ গী আফটর সোক অমা থোকখি। য়ুহা হাবা অদুদা নক্কবা প্রোভিন্সশিং ওইরিবা ৱেষ্ট সুমাত্রা অমসুং জাম্বিদসু নিকখি। নোর্থ সুমাত্রা প্রোভিন্সতা য়ুহা হাবা অদুগী ইন্টেন্সিটি নিয়াস সেলাতান দিষ্ট্রিক্ট অমসুং গুনুংসিটোলি টাউন্দদা এমএমআই (মোদিফাইদ মর্কেল্লি ইন্টেন্সিটি) দা রেকোর্দ তৌখিবদা মরি ওইখি।

# দিআর কোঙ্গোদা ট্রেন গুরুং চৎপদা মীওই ৭৫ শিরে, ১২৫ শোক্লে

কিন্সাসা, মার্চ ১৪ (এজেন্সী):
দিমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গো (দিআরসি) দা থোকখিবা ফ্রাই ট্রেন অমা গুরুং চৎখিবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ৭৫ শিখ্রে অমসুং ১২৫ রোম অশোক অপন নঙখ্রে হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।



এক্সিদেন্ট অদু মার্চ ১১ দা থোকখিবা ওইরবসু থৌদোক অদুদা শিখিবা মী মশিং নেসনেল রেলৱে কম্পেনি ওফ কোঙ্গো (এসএনসিসি) না নোংমাইজিং নুমিৎ খক্তদা কনফার্ম তৌখি হায়না রেল ওফিসিএলশিং অমসুং কম্যুনিকেসন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

থাংজ নুমিৎতা ওফিসিএলশিংনা লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা শিখিবা মী মশিং নুপী অমসুং অঙাং য়াওনা ৬০ নি অমসুং অশোকপশিংগী মশিংনা ৫২ নি হায়খিবনি।

ফ্রাই সার্ভিস ট্রেন অদু শগোলশেল নুমিৎকী অহিংদা গুরুং চৎখিবনি। ষ্টেট রেলৱে কম্পেনি (এসএনসিসি) গী মকোক ফাবেন মুতোম্না সাইট অদুদা টিম অমগা লোয়ননা চৎতুনা য়েংশিনখিবা মতুংদা থৌদোক অদুদা শিখিবশিংগী অনৌবা মশিং অসি খঙহল্লকখিবনি।

অশোক অপন নঙখিবশিং অদুগী মনুংদা ২৮ গী ফিভম লুনা লৈ হায়না কম্যুনিকেসন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি। ফাবেন মুতোমগী মতুং ইন্না ৱেগোন ১৫ গী ফ্রাই ট্রেন অদু লুৱালাবা প্রোভিন্সকী লুবুদি দিষ্ট্রিক্টতা গুরুং চৎখিবনি। মিনিষ্ট্রি ওফ কম্যুনিকেসন্স এন্দ মিদিয়াগী মতুং ইন্না ট্রেন অদু লোকোমোটিব ট্রেক্সন ফেল ওইবদগী ৱেগোন কয়া কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবদগী গুরুং চৎখিবনি।

লোকোমোটিবশিংগী ফিভম ফত্তবা অমদি শেমজিন শাজিন্দ্রবা রেলশিংগী ফিভম্না মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা ট্রেন এক্সিদেন্টগী থৌদোকশিং তোইনা থোকই। এক্সিদেন্ট অদু থোকখিবা মতমদা ৱেগোন ১৫ গী মনুংদা ১২ দি পুমহাং হাংখি। ট্রেন অদু য়ুমথংনরিবা প্রোভিন্স লুএনাদগী মাইনিং টাউন টেঙ্কে তম্না লাকপনি হায়রি।

# ইরবিলদা চথুখিবা মিসাইল এটেক্টকী মায়োক্তা ইরাক্না ইরানিয়ন এনভোই কৌখৎতুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

বাগদাদ, মার্চ ১৪ (এজেন্সী):
ইরাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফিয়ার্সনা লৈবাক অসিদা লৈবা ইরানিয়ন এম্বেসেদর কৌখত্তুনা সেমি-ওটোনোমস কুর্দিস রিজনগী কেপিটেল ইরবিলদা টেহরাননা বালিষ্টিক মিসাইল এটেক্ট চথুখিবগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।



মিনিষ্ট্রি অসিগী ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, এটেক্ট অদুনা সিভিলিয়ন ফেসিলিটিশিং অমদি সিটিজেনশিংগী য়ুমশিং অমাঙ অতা থোকহনখি অমসুং মফমশিং অদুদা লৈরিবা মীওইশিংদা মীপায়বা পোকহনখি।

ইরাক্কী সোভরেন্টি অমসুং টেরিটোরি ভাইওলেট তৌবগী অসিগুম্বা থৌদোকশিং অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না পল্লদুনা মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়, অসিগুম্বা এটেক্টশিং অসিনা লমদম অদুগী হৌজিক লৈরিবা ফিভমদা অকায়বা থোকহন্দনা রিজনেল টেন্সন হেনগৎহনবগা লোয়ননা প্রোব্লেম হেন্না লুশিলহনগনি।

কুর্দিষ্টান রিজনেল গভর্নমেন্টনা ফোঙদোরকখিবদা নোংমাইজিং নুমিৎকী নোংয়াই মতুং পুং ১ রোম তাবদা ইরাক্কী বোর্দরগী নোংপোক থংবা মপানলোমদগী লোং-রেঞ্জ বালিষ্টিক মিসাইল ১২ ইর্বিলদা লৈবা য়ুএস কোন্সুলেটকী অনৌবা বিল্ডিং অমদি অকোয়বদা লৈরিবা মী তাবা মফমশিং তম্না কাপ্লকখি। এটেক্টশিং অদুদা সিভিলিয়ন অমা অশোক অপন নঙখি।

ইর্বিলদা লৈবা ইজরেল্লি বেজ অমদা মিসাইল এটেক্ট অমা চথুখি হায়না ক্লেম তৌবগা লোয়ননা ইরানগী ইস্লামিক রিভোলুসন গার্দস স্কোর (আইআরজিসি) না নোংমাইজিং নুমিত্তা হায়খি, মদুদি মার্চ তরেৎতা সিরিয়াগী কেপিটেল দমাস্কসতা ইজরেলনা এয়রষ্ট্রাইক চথুরকখিবগী পাউখুম ওইনা খোঙথাং অসি লৌখৎখিবনি। দমাস্কসকী এটেক্ট অদুদা আইআরজিসিগী ওফিসার অনী শিখি।

এটেক্ট অদুনা মরম ওইদুনা ইরাক্কী মিনিষ্ট্রিএল কাউন্সিল ফোর নেসনেল সেক্যুরিটিনা ষ্টেটমেন্ট অমা ইস্যু তৌদুনা ইরানগী মায়কৈদগী ময়েক শেংনা লৌথুপ লৌকোইবগী মওং উত্তনা এক্সপ্লেনেসন পীরক্নবা দিমান্দ তৌখি। প্রাইম মিনিষ্টর মুষ্টাফা অল-গাদিমিনা লুচিংবা কাউন্সিল অদুনা হায়খি, মদুদি ইরাক্না লৈবাক অসিগী সোভরেন্টি ভাইওলেট তৌদুনা লৈবাকশিং অমদি এন্টিটিশিংনা লম্মন খুম্নবগী খোঙথাংশিং য়ানিংদে হায়দুনা লাক্লি।


**GOVERNMENT OF MANIPUR**
DIRECTORATE OF HANDLOOMS & TEXTILES
----
ꯅꯣꯇꯤꯁ / N O T I C E
Imphal, the 11th March, 2022

**No. HL-106/H&T/2018:** Application on plain papers indicating name, address, contact number, etc. along with a copy of Weavers Identity Card are invited from the interested handloom weavers, entrepreneurs, society or organization for participation in the National Level Expo from 28th March, 2022 to 10th April, 2022 at Pune, Maharashtra.

**2.0:** The Development Commissioner for Handlooms, Ministry of Textiles, Government of India sponsors the Expo under the National Handloom Development Programme. It will be organized in association with Manipur Handloom & Handicrafts Development Corporation Ltd (MHHDC).

**3.0:** Last date for submission of application is on 24th March, 2022 (THURSDAY). Only 80 Stalls will be allotted. Selected participants will be paid TA/DA as per the guidelines of the scheme. Applications may be submitted to the Directorate of Handlooms & Textiles, Lamphelpat, Imphal or District Handlooms & Textiles Offices or MHHDC Ltd.

**4.0:** Adequate precautions and necessary COVID Appropriate Behavior will be followed during the travel and Expo.

Sd/-
Director of Handlooms & Textiles,
Manipur

HL-B/7530/15